## চ্যেরপার্সন, মেম্বরশিং খন্নবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচ এন এস):
মণিপুর ষ্টেট হ্যুমেন রাইট কম্মিসনগী চ্যেরপার্সন অমদি মেম্বরশিংনা থা ৩গী মনুংদা খন্নবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ষ্টেট লৈঙাক্তা দিরেক্সন পীখ্রে।

জষ্টিস এন কোতিশ্বর অমদি জষ্টিস কে ঐচ নোবিনগী দব্বল বেঞ্চনা ওর্দর অসি থা অসিগী ৪দা তাখিবনি। ডা. সুরেশ সেন্টর ফোর ফোরেন ষ্টদিজ এন্দ প্লেসমেন্টকী চ্যেরমেন ডা. সুরেশনা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন অমা ফাইল তৌরবা মতুংদা ওর্দর অদু তাখিবনি। কম্মিসন অসিগী ওফিসার অমদি ষ্টাফশিংসু খন্নবা খঙহনখি। কম্মিসনগী মেম্বর অনীগী পোষ্টকীদমক এপ্লিকেসনগী নোটিফিকেসন থোক্লবসু খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১০দগী মণিপুর ষ্টেট হ্যুমেন রাইট কম্মিসন অসি ফঙ্কসন তৌদনা লাক্লি হায়নসু মখা তারি।

## ‘ইন্দিয়া হিন্দুগী লৈবাক ওইরগনি’

বাল্লিয়া, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী):
বাল্লিয়াদগী কারকপা বি জে পিগী লো মেকর অমনা চয়েৎননিংঙাই ওইবা ৱাফম অমা ফোঙদোক্লদুনা কুমজা ২০২৪দদি ইন্দিয়া হিন্দুগী লৈবাক ওইরগনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে। লৈবাক অসিদা লৈরিবা মুস্লিমশিং হিন্দুগী কলচরদা তিল্লক্কনি। মুস্লিম খরখক মরৈবাকপু নুংশি হায়না খঙই। লৈবাক অসি হিন্দুগী ওইরবা তুংদা মখোয়গী ৱাখল্লোনসু তপ্না তপ্না হিন্দুরোমদা পুশিল্লক্কুনা থৌনা ফবা মীওই ওইরক্কনি হায়না বাইরিয়া এ সীগী এম এল এ সুরেন্দ্র সিংহনা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অসি শেন্বীবা মপুগী শায়ওননি। লৈবাক অসিদা আর এস এস লিংখৎলকপা কুমজা ২০২৫দদি চহী ১০০ মপুং ফারগনি। মতমদুদা লৈবাক অসি হিন্দুগী লৈবাক ওইরগনি।

## উখ্রুলদা শেল অচোয়বা ফংদ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচ এন এস):
উখ্রুল ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মফম কয়ামরুমদা লুপা অমা, অনী অমসুং মঙা চৎপী চান্দি হৌখিবা চহী অমরোম অসিদা মশক ফাওবা উবা ফংলকখিদ্রে। হায়রিবা শেল অচোয়বশিং অসি বেঙ্কনা পুথোকপীদৱা নৎত্রগা খূৎশেমনা ওইহল্লক্লিব্রা হায়বদু মফম অদুগী মীয়াম্না খঙবা ঙমদ্রে। লায়রবা মীচম মীয়াম্না লুপা ১০ পায়রগা পোৎ লৈবদা শেল হন্দোক্লবা অচোয়বা লৈতবদগী মিথাই হাপ্পগী চৎনবী উখ্রুল ডিষ্ট্রিক্টতসু য়ৌরে। হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়েংশিনবীয়ু হায়রি।

## ওক্সন তৌগদৌরি

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সি):
লৈবাক অসিদা লৈবা য়েক্লবগী লম লৈরিবা মফম ৯,৪০০ রোম ওক্সন তৌনবা গভর্নমেন্টনা থৌরাং তৌরে। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা ওক্সন তৌগদৌরিবা লমশিং অদু মশক খঙদোক্লনবা থবক পায়খৎপা হৌরে হায়রি।

## GAS TODAY

**ASHANGBI INDANE, SUGUNU**
**SL.NO. - 17018**
Booking Upto:29/11/2017
Valid From:23/11/2017
***Stk:500***
Timing:09.00am to 11.00am

**JEMON GAS SERVICE, CHINGAMATHAK**
**SL.NO. - 41940**
Booking Upto:02/11/2017
Valid From:20/10/2017
***Stk:612***
Timing:07.00am to 09.30am

**KHONGNANG GAS AGENCY NINGTHOUKHONG**
**Sl. No.12000**
Booking Upto:27/10/2017
Valid From:24/10/2017
***Stk :306***
Timing:07.30am to 10.30am

**LEIBAKLEI GAS KHONGJOM**
Booking Upto:20/11/2017
Valid From:16/07/2017
***Stk:306***
Timing:07.30am to 12.00noon

**MAHALAKSMI INDANE**
**SL.NO. - 202890**
Booking Upto:17/11/2017
Valid From:03/11/2017
***Stk:306***
Timing:07.30am to 10.30am

**MANIPUR POLICE GAS**
Booking Upto:24/11/2017
Valid From:21/11/2017
***Stk:306 (Only for CTC & DNSC)***
Timing:10.00am to 01.00pm

**MISAO GAS SERVICE**
Booking Upto:14/11/2017
Valid From:24/10/2017
***Stk:612***
Timing:07.30am to 10.00am

**R & H IRILBUNG**
Booking Upto:25/10/2017
Valid From:11/10/2017
***Stk:612***
Timing:08.00am to 11.00am

# মপিথেল দাম অমসুং দোলাইথাবীগী ফিভম মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা য়েংশিনখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১৪ (ঐচ এন এস) :
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চহী অসিগী মার্চ থাদা শঙ্গানবা থৌরাং তৌরিবা শাবা লোইশিল্লক্লবা মপিথেল দাম অমসুং দোলাইথাবী বরাজ প্রোজেক্ট অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মীওইশিংনা মখল অমত্তগী য়ৈখায়-থিঙ্গায়বা নৎত্রগা বন্দ অমসুং ব্লোকেদনচিংবা কৌবীদনবা ৱাটর রিছোর্স ডিভলপমেন্ট মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা অপীল তৌরক্লি।

ঙসি প্রোজেক্ট অনী অসি য়েংবগী খোঙচৎতা পাউমীশিংদা মহাক্না হায়খি, প্রোজেক্ট অনী অসিগী শেম-শাবগী থবক চাদা ৯৯ গী চাংদা লোইশিল্লক্লে। দোলাইথাবী বরাজগী ষ্টোন পিটচিংগী শরুকশিংগী থবকশিং অমদি মপিথেল দামগী ৱাটর দাইভর্সনগী কন্ষ্ট্রক্সনতমক শাগদবা ৱাৎলি অমসুং ক্যুবিক মিটর ৮০০০ গী এরিয়াদা আর্থৱার্ককী থবকশিং পায়খৎলিবা অসিসু শাবা লোইশিল্লক্লে।

প্রোজেক্ট অনী অসিগী লেমহৌরিবা থবকশিং চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ফাওবগী মনুংদা শাবা লোইশিল্লগনি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা হৌজিক লোইশিন্দনা লৈরিবা থবকশিং অসি শাবা লোইশিন্নবা মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা ইনষ্ট্রক্সন পীখ্রে। গভর্নমেন্টনা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং অসি মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক্লি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীয়ামগী মায়োক্তা নমদুনা কনষ্ট্রক্সনগী থবক অমত্তা তৌবগী ৱাফম লৈতে অমসুং কনামত্তদসু নুংঙাইতবা ফাওহল্লোই হায়খি।

প্রোজেক্টশিং অসিগী সাইটতা খুন্দারিবা মীওইশিং অমদি অকোয়বা খুনশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা গভর্নমেন্টনা পায়খৎলিবা থবক থৌরম অসি মুন্না খঙদবগুম তৌরি অমসুং গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা লেপ্লিবা অসি গভর্নমেন্টতা মতেং পীবীনবা ৱাফমসু মহাক্না অপীল তৌখি।

প্রোজেক্টশিং অসি শাগৎলিবা মফমশিং অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ভিলেজ তরেৎ অমসুং মনাক নক্লা লৈবা ভিলেজশিংনা মখোয়গী ৱাকৎ কয়া লৈঙাক্তা তকশিন্দুনা লাক্লি। মখোয়গী ডিমান্দশিং অদু গভর্নমেন্টনা মপূং ফানা পীথোকপা ঙমদে অমসুং হৌজিক্কী ওইনা গভর্নমেন্টনা মদু পাঙথোকপা ঙম্বগী ওইথোকপা লৈত্রি। মখোয়না তাল্লক্লিবা ডিমান্দশিং অদুগী মনুংদা খরদি চানদবা অমসুং চুশিন্নদবা ডিমান্দশিংনি। অদুম ওইনমক লৈঙাক্লা অঙম্বা মতেং খূদিংমক পাংনবা হোৎনরি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

গভর্নমেন্টকী হাউসিং স্কীমগী মখাদা খুঙ্গাশিংগী রিহেবিলিটেসনগী থবকশিং চথবগা লোয়ননা য়ূম শাবগী থবকসু পায়খৎলি। লোয়ননা স্কুল শানবা অমসুং লৈমায় তেমথোকপগা লোয়ননা খুঙ্গাশিংদা ঙা ফাবগী অয়াবা পীনবা খন্নরি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। প্রোজেক্ট অমা শাবদা ক্বালিটি মেন্টিনেন্সতা কমপ্রোমাইজ তৌবগী ৱাফম লৈতে। ইঞ্জিনিয়র অমসুং কন্ট্রক্টরশিংনা মখোয়গী তৌফম থোকপা থৌদাং মপূং ফানা পাঙথোক্লি অমদি ষ্টেট অসিগী অমদি মীয়ামগী খন্দুনা মতিং লৈনা থৌদাং য়ারি। মখোয়না খঙন-চান্নবা এম এল এশিংগী ঙাক্লৌ লৌরোইদবনি। অসিগুম্বা মীওইশিংনা মপূং ফানা থবক তৌবা ঙম্লোই অমসুং রুল অমদি রেগ্যুলেসনগী মতুং ইন্না প্রোজেক্টশিং অসি মহাক্কী মখাদা পায়খৎলিবনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অচৌবা তুরেল খরগী খোংনুং শেংবগী থবক অথুবা মতমদা হৌরগনি। মণিপুর ফ্লদ প্লেন জোনিং এক্টকী মখাদা ডি সীশিং অমসুং মরী লৈনবা চীফ ইঞ্জিনিয়রগী খুথাংদা অচৌবা তুরেলশিংগী তোৰ্ব্বানদা শাগৎলিবশিং অসি শিদোক্ত্রিঙৈদা মশা-মশানা শিদোক্লবা মীয়ামদা খঙহনখি। গভর্নমেন্টকী ওর্দরদা পীরিবা মতমগী মনুংদা মপুশিং অদুনা শিদোক্ত্রবদি তুরেল তোৰ্ব্বানদা শাগৎলিবা কয়া অদু গভর্নমেন্টনা শিদোকপা হৌরগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। গভর্নমেন্টনা অসিগুম্বা থবক থৌরমশিং অসি পায়খৎলকপা মতমদা মীয়াম্না ঈহৌ শাগৎলক্কনু। মদুগী মহুৎতা মীয়ামগী য়েংদুনা গভর্নমেন্টতা মতেং পীবীয়ু হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## পোঙ্গল সেলিব্রেসন হৌখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচ এন এস):
টামিল সঙ্গম মোরেনা স্পোন্সর তৌরগা ঙসি অয়ুক মোরেদা লৈবা টামিল কম্যুনিটি কয়ানা শরুক য়াদুনা সনরাইজ প্লে গ্রাউন্দদা পোঙ্গল সেলেব্রেসন হৌদোকখ্রে।

পোঙ্গল সেলেব্রেসন অসি নুমিৎ ৩নি পাঙথোক্কনি। থৌরম অসি পাঙথোকপগী পান্দমদি কুম অমগী অনৌবা মহৈ-মরোং লোকপা অমদি চাকনৌ তমদুনা তাইবঙ শেন্বা মপুদা কৎপনি। থৌরম অদুদা মোরেদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়াগী মীওইশিংসু শরুক য়াখি। মীওই ৩,০০০ হেনবনা চাক্লেন অমসু চামিন্নখি।

## মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচ এন এস):
নুপী খুন্নাইবু অৱাংবা থাক্তা চিংখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা ওল মণিপুর ৱিমন এসোসিএসনিগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট লৈখিদ্রবী রাজকুমারী মুখ্রাগী ৮৬শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি পুরানা রাজবারি নোংমৈবুংদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা মুখ্রাগী মিতমদা লৈ-শু কত্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। মহাক্না হিংলিঙৈ মতমদা নুপা-নুপী থোং মান্নানা চৎমিন্নবগী মঙলান্দা কমপ্লেক্স অসিদা কনা লৈজদ্রবী অহল ওইরবশিংগী ওইবা ওল্ড এজ হোম লিংখৎলম্বনি। নুপী খুন্নাইগীদমক মহাক্না লৌরম্বা থৌদাংশিংবু তুংইনবা ওইনা কমপ্লেক্স অসিদা স্বধ গ্রেহ হায়না মিংথোনবা মপুরোইবা অমদি ইমুং-মনুংনা ইন্থোকপীরবা নুপীশিংগী লৈফম শেমগৎলমই। অরাপ্পা মফমদগী ইম্ফালদা থবক তৌবা লাকপা নুপীশিংগী ওইবা খোংনাং দেবী ৱার্কিং ৱিমন হোষ্টেল থমদুনা মীয়ামগী থবক তৌরম্বনি হায়নসু মফম অদুদা লৈবা নুপী অমা ফোঙদোরকখি।

## এম জি এন আর ঈ জি এগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচ এন এস):
থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না সন্ত্রাম গ্রাম পঞ্চায়টকী মখাদা পায়খৎলিবা এম জি এন আর ঈ জি এ, প্রধান মন্ত্রি অৱাজ যোজনা অমদি লমদম অদোমগী লৈঙাক্কী স্কুলশিং করম্না ফহনগদগে হায়বগী মতাংদা মীয়ামগী খন্ন-নৈনবা মীফম অমা সন্ত্রাম ময়াই লৈকায় শান্নবুংদা পাঙথোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন সন্ত্রামনা শীল্লগা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা সন্ত্রাম জি পিগী হান্নগী প্রধান দিজেননা চীফ গেষ্ট, লৈকায়গী অহলশিং মথংশিংনা টি ঐচ মায়পাক অমদি এন উকিলনা প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা লৈঙাক্না খুঙ্গংগী মীয়ামগীদমক পায়খৎলিবা স্কিমশিংগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনখি। মীফম অদুদা ৱারেপ কয়াসু লৌখি। ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা সন্ত্রাম জি পিগী মখাদা লৈবা জোব কার্দশিং রিন্যু তৌদ্রিঙৈদা অমদি জোব কার্দ হোল্ডরশিং অসিনা থবক শুজগে হায়না চেরোল থাদ্রিঙৈদা কন্স্ট্রক্সন ওফ ইরিগেসন দ্রেন কিলোমিটর ২ রোম শাংবা অসিগী মতাংদা থিগৎপীনবা লৈঙাক্তা হায়জবা, শুখিবা থবক অসিগী মাষ্টররোলদা জোব কার্দ হোল্ডরশিংদা খুৎয়েক পীবগী খুদোংচাবা ফংহনদবা অসিগা মরী লৈননা খুৎয়েকশিং অদু কনানা শাজিনখ্রিবনো হায়বদু কুপ্না থিগৎপীনবা লৈঙাক্তা তকশিনবা হায়বা য়াওরি।

## সেটলাইট টাউনগী মতাংদা ...

*লামায় ১গী মখা...*মফম অদুগী ইকনমিদসু ফগৎহনগনি। মীওই কয়া অমসু থবক ফংগনি। হীরম অসিগী মতাংদা প্লান তৌহৌবা চুমগনি হায়বা ৱাখল্লোন্দা খন্ন-নৈনবা অসি পাঙথোকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা এম য়ুগী প্রোফেসার ডা. ঐচ সুধিরসু ৱা ঙাঙখি।

## এল এ দি ফন্দদগী লাইব্রেরী ...

*লামায় ১গী মখা...* হোৎনগনি। লুপা লাখ ৫ চঙগদবা লাইব্রেরী হোল অমসু লোকল এরিয়া ফন্দগী শারগনি। নিংথৌনাইগী লম্বী অসি মার্চ ফাওবদা শেমজিনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না মদ্রাসা অসিগী মহৈরোয় মহমদ নিয়াজবু হাফিজ লোইশিনবগী কোইয়েৎ য়েৎখি।

## বন্দ শৌগৎলক্লি ...

*লামায় ১গী মখা...*থাদৌ কুকি এম আই এল সবজেক্টপু ভেলিদা হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ইন্ট্রদক্সন তৌদবগী মতাংদা দিমান্দশিং তাল্লদুনা বন্দ অসি কৌখিবনি। জীরিবামদগী ইম্ফাল তম্না লাকপা গাড়ীশিং বন্দ মনুং অসিদা গুলারথোনদা পনগদবনি। বন্দ মনুংদা গাড়ী চৎলবদি খুদোংচাদবা মায়োক্লগনি। বন্দ অসিনা মেদিকেল, ৱাটর সপ্লাই, ইলেক্ট্রিসিটি, লাইনিং লাইশোনগী ওইবশিংগীদি কোমথোক্কনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

অমরোমদা, জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট দি মর্দর ওফ থৌখোগিনগী মায়কৈদগীসু বন্দ অসি শৌগৎকনি হায়না জে এ সী অসিগী কনভিনর অমদি কো-কনভিনরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

কুমজা ২০১৬কী ফেব্রুৱারীদা হাৎখিবা ওজা থৌখোগিনগী জষ্টিস পুরক্লবা কৌরিবা অসিগুম্বা বন্দ অসিদা শৌগৎকনি। বন্দ অসিদা মীয়াম্নসু শৌগৎপীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## সী এম : মীয়ামগী অপাম্বা ...

*লামায় ১গী মখা...*হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনদুনা লাক্লি। চহীসিগী মার্চ ১৫দা ষ্টেট অসিদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি চহী ১ মপুং ফারগনি। হৌখিবা থা কয়া অসিদা থবক থৌরম কয়া অমা পায়খত্তুনা লাকখি। পোলিটিক্স তৌবা হায়বসি মীয়ামগী য়াইফনবা অমদি মীয়ামগী অপাম্বা খঙনা থবক তৌবা অদুনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা বি জে পি মণিপুরগী ইন-চার্জ ওইরিবা এম পি প্রহ্লাদ সিংহ পতেলনা হায়খি, বি জে পিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক অমা ষ্টেট অসিদা লাকপগা ইরোয়ননা হীরম কয়াদা থবক তৌদুনা লাক্লি। মীয়ামগী অপাম্বা করিনো হায়বদু খঙনা থবক তৌবা তাই হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা রাজ্য সভাগী এম পিনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

তুংদা ষ্টেট লেবেল এসে রাইটিং কম্পিটিসনগী মকোক মথং তারবশিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকখি। মকোক মথং তারবশিং অদুদি অহানবা পোজিসন্দা সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয় এন জেবেতো, অনীশুবা পোজিসন্দা ভীক্টোরি হায় স্কুলগী চিংলেম্বী অমদি হরবার্ট স্কুলগী এস হেরোনিকানি।

## দ্রাইভরশিংগী খুদোংচাদবা ...

*লামায় ১গী মখা...*পীরদুনা য়ুনিয়ন অসিগী জেনরেল সেক্রেটারি মাইমোম অনিলনা হায়খি, দ্রাইভরশিংনা অকিবা, অৱা-অনা থাদোক্তুনা শাংলবা লম্বীদা গাড়ী থৌদুনা মীয়ামগী থবক তৌরিবনি। লম্বীদা খুদোংচাদবা কয়া অমসু দ্রাইভরশিংনা থেংনরিবনি। লম্বীদা দ্রাইভরনা খুদোংচাদবা থেংনবা অসি হৌজিকসু অদুমক থেংনরি।

দ্রাইভরশিংবু মীয়াম্না নুংশিবীয়ু। লৈঙাক্লসু য়ুনিয়নগী ওফিস অমা শানবগীদমক লম পীবিয়ু। য়ুনিয়নগী আই দি কার্দ পায়দ্রিবা দ্রাইভরশিংনা কার্দ পায়নবা হোৎনবীয়ু। য়ুনিয়ন্না দ্রাইভরশিংগী য়াইফ থৌরাংশিং পায়খৎলকপা হৌরে। য়ুনিয়ন অসিনা দ্রাইভরশিংগী ইন্স্যুরেন্স স্কিম অমসু হৌদোক্লে। য়ুনিয়ন অসিগী আই দি কার্দ পায়বশিংদা স্কিম অসিগী কান্নবা পীগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট এস মংলেমনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। ট্রান্সপোর্টকী কম্মিস্নার এম লক্ষ্মীকুমার, এ আই টি য়ু সীগী প্রসিদেন্ট ডা. এম নরা, নাগালেন্দগী রিটয়ার্দ সিনিয়ার এস পি, পি সোনমণিনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী হৌরকপদা তিনখিবা মীয়াম্না লৈখিদ্রবা দ্রাইভরশিংগী শক্তমদা লৈ-শু কত্তুনা ঈকায় খুম্নখি। থৌরম অদুদা দ্রাইভর সলাম রোমেন মীতৈদা দ্রাইভর ওফ দি য়রগী মনা খুৎশিন্নখি। মনা অসি হৈরাঙ্গৈথোং সার্বিস ষ্টেসনগী প্রোপ্রাইটরনা লুপা ২৫,০০০ কৎলকপা অদুগী মথক্তা মিনিষ্টর করাম শ্যামনা লুপা ৫,০০০ অমগা হাপ্তুনা পুন্না লুপা ৩০,০০০ খুৎশিন্নখি হায়রি।

ওল মণিপুর ইন্টর ষ্টেট ৱিঙ্গর এন্দ ক্যুজর দ্রাইভর্স ৱেলফ্যের য়ুনিয়ন্না শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী খুরাই সলাম্থোং সমরেন্দ্র লম্পাক্তা পাঙথোকপা দ্রাইভরশিং নুমিত্তা য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট এলাংবম জোন্সননা হায়খি, দ্রাইভরশিংনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী পূন্সিদা লৌরিবা থৌদাং শকখঙদুনা লৈঙাক্না মখোয়গীদমক য়াইফ থৌরাংগী অকক্লবা থৌশিল শেন্ফম থোকই। দ্রাইভরশিংনা খুদোংথিবা থোক্তুনা অৱাবা তারবা মতমদা লৈঙাক্না মখোয়গী ইমুং-মনুংদা মতেং পীনবা হোৎনগদবনি।

থৌরম অদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ দেবাননা হায়খি, দ্রাইভরশিংগী নুমিৎ থৌরমদা দ্রাইভরশিংনা মপুং ফানা শরুক য়াদবা অসি নুংঙাইতবা ফাওই। তাঙলবা নুমিৎ অসিদা মখোয়গী অপুনবগী লিংজেল উৎলবদি থৌরম অসি হেন্না মতিক ময়াই লৈবা ওইগনি।

গ্বালতাবী এন্দ য়াইঙংপোকপী রোদ ট্রান্সপোর্ট এসোসিএসন্নসু য়াইঙংপোকপীদা দ্রাইভরশিংগী নুমিৎ পাঙথোকখি। জীরিবামদসু ওল জীরিবাম রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ দ্রাইভর য়ুনিয়ন্না শীন্দুনা ১১শুবা দাইভর্স দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

# হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স লিংখৎনবা মীৎয়েং চঙফম থোকই : তোম্বী

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচ এন এস):
হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স লিংখৎনবা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙফম থোকই হায়না শিব সেনা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এম তোম্বীনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

বাবুপড়াদা লৈবা শিব সেনাগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা এম তোম্বীনা হায়খি, ঙসি দ্রাইভর্স দে লাকপা অসিদা দ্রাইভরশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎলি। মীয়ামগীদমক পোৎচৈ পুথোক পুশিন তৌবা অমদি গাড়ী থৌরিবা কয়া অমা খাঙুথক্তা পূন্সি পীখম্নখিবা, হাৎতোকপীখিবা কয়া অদুগী মফমদসু ঈকায় খুম্নবা উৎলি। নেসনল হায়ৱে অনীদা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগীদমক পোৎচৈ পুথোক পুশিন তৌরিবা দ্রাইভর কয়া লমখাংদা হাৎতোকপীখিবা অমদি ফু-চৈবগী থবক কয়া তৌবা থেংনখ্রে। লৈঙাক্না হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স লিংনবা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই।

হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স থম্বীনবা কয়া হন্না লাউদুনা লাক্লি। মণিপুরগী ওইনা চান-থক্লবা অমদি শীজিন্নবা পোৎলম কয়া অসি নেসনল হায়ৱেদা পুশিল্লকপা মরম্না হায়ৱে অনী অসিদা প্রোটেক্সন পীবা তঙাইফদে। অহিং নুংথিল খাইদনা দ্রাইভরশিংনা শাংলবা লম্বী অসিদা পোৎচৈ পুথোক পুশিন তৌরিবনি। মখোয়গী অৱাবা খঙবীবা চুমই। দ্রাইভরশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি ঈকায় খুম্নবিফম থোকই। সেন্টরনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টতা লুম্না লৌবা অদুগুম হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স থম্নবা মায়কৈদসু মীৎয়েং চঙফম থোকই।

হায়ৱেদা ইলিগেল টেক্স ময়াম অমা লৌদুনা লৈরি। জি এস টি চৎনরকপা অমদি নেসনল হায়ৱেদা ইলিগেল ওইবা টেক্স ময়াম অমা লৌবা অসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসি য়ৌরকপা মতমদা পোৎচৈগী মমল অসি য়াম্না ৱাংখ্রে। মপানগী ষ্টেটতা হোংনা ফংবা পোৎলম কয়া তাঙনা ফংলি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা লৈঙাক্না তুমিন্না লৈশিল্লবদি মীয়ামগী ঈহৌ ঙাইবা ওইনা থোক্কনি। নীংথিনা মীৎয়েং চঙবা তঙাইফদে।

দিমাপুরদা লৈরিবা এম এস আর টি সীগী মফম অসিসু নীংথিনা শেমগৎফম থোকই। মফম অসি হৌজিক করি ফীভমদা লৈরিবগে হায়বসি লৈঙাক্না য়েংশিনবা চুমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## গৌড়া লীলা ৱার্কশোপ লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচ এন এস):
মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর দি কলচরেল ফঙ্কসন এন্দ প্রদক্সন গ্রান্ট স্কিমগী মখাদা থা ২ চুপ্না চথরকপা গৌড়া লীলা ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন লোইশিনবগী থৌরম ঙসি পতিতাপৱানা জগবন্ধুয়ীন অগ্রাহ, কৈশামথোং হোদাম লৈরক্তা পাঙথোকখ্রে।

জুগোলচন্দ্র শৰ্ম্মনা পুথোকপা প্রদক্সন প্লে উৎপগী থৌরমদা এস থানিল পদ্মাশ্রীনা প্রসিদেন্ট ওইখি। আই এম সী ৱার্দ নম্বর-১১গী কোর্পোরেটর জয়চন্দ্র, ক্রিটিক ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট আই এস কাংজম, থিয়েটর ক্রিটিক বুধা চিংথামনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। গৌড়া লীলা অসিদা নিত্যাইনন্দগী শক্তমদা বি দনেন্দ্রজিৎ, প্রভুগী শক্তমদা হরিকান্ত, গোদাদরগী শক্তমদা থিয়াম ললৈবী, বিষ্ণুপ্রিয়াদা এম য়াইফবী, মুকুন্দোগী শক্তমদা সগোলশেম বোনি, হরিদাসকী শক্তমদা সগোলশেম ঋশি, ভক্তগী শক্তমদা মোইরাংথেম ভেরোনিকা, গজনাথ মিস্রাদা জুগোলচন্দ্র, সতি রানিদা কুশুমলৈ, মৈলানিদা মেমচা, সুক্রিতিদা কৃতি, হিলানবা মপাদা কুঞ্জো, হিলানবী মচানুপীদা কুঞ্জাবতি, ত্রা সুত্রদা বেম্বেম, চুগাইদা গৌড়দাস, মধাইদা সনায়াইমা, য়োংদা সুকোর, কিশরাজদা অঙাং য়াইমা, পুংদা বসন্ত, মোইবুংদা প্রেমজিৎ, রাসধারিনা মঙ্গী, লাইট অমসুং সাউন্দদা কিটস কৈশামথোং, মেক-অপ অমসুং কোষ্ট্যুমদা টি বসন্তনি।

## নিংথম শৈদিনগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচ এন এস):
মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি ইম্ফালনা শীন্দুনা ওল্ড এসেমব্লি রোদতা লৈবা হিন্দী পরিষদকী ওদিটোরিয়মদা নিংথম শৈদিন্নবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দী আর কে ভুবোনসনানা হায়খি, সাহিত্য শেমগৎপদা নহা অহল খায়দনা হোৎনবা চঙই। মণিপুরগী সাহিত্য হায়বসিদা ফজবা কয়া লৈরি। ট্রান্সলেট তৌনবা ৱাৎপা মরম্না মপানগী মীয়াম্না কয়া খঙবিদে। হৌজিক ফাওবদা ট্রান্সলেট তৌবগী চাং য়াম্না ৱাৎলি। ট্রান্সলেট তৌবিনবা মীশিং মরাং কায়না লৈহন্নিংই।

সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংবা ঙাক্তদা ট্রান্সলেটরশিংনা মীৎয়েং চঙবা ওইনা উরিবসিসু সাহিত্যদা শোত্থরিবনি। ফজ ফজবা অইবা কয়াগী লৈরিবশিং অসিসু ট্রান্সলেট তৌদুনা পুথোক্লবদি মণিপুরগী সাহিত্যগী ফজবা অমদি মতিক ময়াই অদু মপান লমদা খঙবা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট ডা. অথোকপা খোলচন্দ্রনা হায়খি, অইবশিংবু নুংশিবা অমদি পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা নিংথম শৈদিন অসি পাঙথোকপনি। অনৌবা চহী অসিবুসু ওকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অইবা-অইবী অমদি শক্লাইরবা-শক্লাইরবী ৩০ হেনবনা মশা মশানা ইবা শৈরেং অনীদগী অহুম ফাওবা পাথোক্তুনা নিংথম শৈদিনগী মপুং ফাবা ওইহনসি হায়নসু মখা তারি।

## অহল ওইরবী অমদি ৱিদোশিংদা চেঙ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচ এন এস):
লায়ন্স ক্লব ওফ থৌবাল গ্রেটরনা শীন্দুনা স্পেসল মিটিং অমা ঙসি ৱাইখোম মণি গর্লস কোলেজগী সিমিনর হোলদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা অহল ওইরবী অমদি লায়রবী লুখ্রাবী কয়াদা চেঙ য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ইন্টরনেসনল এসোসিএসন ওফ লায়ন্স ক্লব দিষ্ট্রিক্ট ৩২২ দিগী দিষ্ট্রিক্ট গভর্নর রাধা অগরৱালসু অচম্বা খুদোল তমদুনা তরাম্না ওকখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা ক্লব অসিগী অনৌবা মেম্বরশিংবু দিষ্ট্রিক্ট গভর্নরগা শকখঙ মায়খঙনহনখি। ক্লব অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

থৌবাল মায়কৈদগী অহল ওইরবী অমসুং লাইরবী লুখ্রাবী ২০দা চেঙ কে জি ৪/৪ য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা লায়ন্স ক্লব থৌবাল গ্রেটরগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ মেমচা, এম জে এফ গোজেন্দ্র, ঐচ মণিকুমার অমদি লায়ন এম জয়সু শরুক য়াখি।

## কেম্প লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচ এন এস):
ঐচ য়ু আর আই টি ঈ সী একাদেমি থৌবালনা শীন্দুনা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ১৮-দগী চথরকপা কিদস ৱিন্তর ব্রেক কেম্প লোইশিনবগী থৌরম ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদু লোইশিনবগী থৌরমদা খাঙবোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীগী এম এল এ ওক্রম সুর্জাকুমারনা চীফ গেষ্ট ওইখি। একাদেমি অসিগী কোওর্দিনেটর বিশ্বজিৎনা থৌরম মপু ওইখি। থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল ৱার্দ নম্বর-১গী কাউন্সীলর ওক্রম ইনাওতোম্বীনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

চহী ৫দগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াবা কেম্প অদুদা লু-নান্না থমসি অমদি ট্রাফিক্কী কাঙলোন ঙাক্না চৎসি হায়বা পান্দমদা রেল্লি অমসু চৎখি। দ্রোইং, পেন্তিংনচিংবা কয়াসু পাঙথোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা কলচরেল প্রোগ্রাম কয়াসু উৎখি। কেম্প অদুদা শরুক য়াখিবা অঙাংশিংদা সার্টিফিকেটসু য়েন্থোকখি।

## মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচ এন এস):
মশাগী অনাবা অমদগী হৌগৎ কাংখৎপা ঙমদনা লৈরিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক পার্ট-২, তোমাল মখোংদগী লাইশ্রম বোরচন্দ্রগী লায়েংবদা মতেং ওইনবা হৈরোক ফোরম ৱাটসএপ গ্রুপকী থৌমীশিংনা অনাবগী য়ুমদা চত্তুনা শেলগী মতেং পীখ্রে।

ৱাটসএপ গ্রুপ অদুগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম তোম্বনা ফোঙদোক-খিবদা বোরচন্দ্রনা হৌগৎ কাঙখৎপা ঙমদনা লৈরকপসি চহী ৩ লোম শুরে হায়বা ইমুং-মনুংগা ৱারী শানবদগী খঙলে। ইমুং-মনুংগী মায়কৈদগী লৌ-ইঙ্খোল য়োন্দুনা লায়েংদুনা লাকপনি। গুৱাহাটিদা লায়েংলুবদা বোরচন্দ্রগী লায়ওং অসি স্পাইনেল কোর্দতা শোকপনি। ওপরেসন তৌরগা ফগনি। লুপা লাখ ৩ লোম চঙলবা য়াই হায়না বোরচন্দ্রগী অপোকপনা হায়বদগী খঙলে। বোরচন্দ্রগী লায়েংবদা খরদং ওইরবসু মতেং পাংনবা শেনফম খরা খরা পুথোক্লরগা মতেং পাংবনি। অৱা-অনা তারবশিংসু ফোরম অসিনা মতেং পাংখিগনি হায়নসু মখা তারি।

## হৈথোই শীংথোইবা ওইনবগীদমক মেনেজমেন্ট অমদি টেক্নোলোজিগী ৱাখল্লোন চঙই

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচ এন এস):
টেক্নোলোজিগী মতম অসিদা হৈথোই শীংথোইবা মীশক ওইগে হায়রবদি মেনেজমেন্ট অমদি টেক্নোলোজিগী ৱাখল্লোন লৈবা চঙই হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

টাইমস ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্ট এন্দ ষ্টদিজ ঈ-কেম্পস ইম্ফাল হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা হায়খি, মহৈ-মশিনগী লমদা মতম লীক্লা শীজিন্নবা হায়বসি তৎন-থানবা য়াদ্রবা শরুক অমনি। ইন্সটিট্যুসন অসি হৌদোরক্লিবা অসি মতম চারবনি। মীপুম খূদিংমক্না অফবা অচুম্বা ৱাখল্লোন খন্দুনা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনগদবনি। লৈঙাক্কী স্কিমশিংগী কান্নবশিং ফংনবা এৱ্যেরনেস য়াম্না তঙাইফদে।

মহৈরোয়শিংনা তুংগী কেরিয়র শেমগৎনবগীদমক মখোয়দা চান্নবা পোষ্টশিংদা মিং চন্দুনা তমগদবনি। ইন্সটিট্যুট অসিখক্তনা নত্তনা তোঙান তোঙানবা ইষ্টাব্লিশমেন্টশিংদা মহৈরোয়শিংনা ফংলিবা ট্রেনিং অদু মহয় চানবা নীংথিনা শেমগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা এদ্যুকেসন (এস)কী দিরেক্টর টি ঐচ কিরনকুমারনা, ইন্সটিট্যুট অসিনা মহৈরোয়শিংদা হৈথোই-শীংথোইবা কয়া উথোক্লবগী খুদোংচাবা পীবগনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ইন্সটিট্যুট অসিগী সী ঈ ও রাজ কে শৰ্ম্ম অমদি ইন্সটিট্যুট অসিগী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

## লাইওন্স ক্লবনা চেঙ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১৪ (ঐচ এন এস) : লাইওন্স ক্লব ইন্টর্নেসনলনা মালেম শিনবা থুংনা পাঙথোকপা ফীদ দি হঙ্গর্স হায়বা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লাইওন্স ক্লব ওফ ওইনাম ডিষ্ট্রিক্ট ৩২২ দিনা শীন্দুনা শোত্থরবা ইমুংশিংদা চেঙ য়েন্থোকপগী থৌরম অমা রোয়েল একাদেমি ওফ লো ওইনামগী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ওইনাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপর্সন এন সনাহনবী, লাইওন্স ক্লব ওফ ওইনামগী প্রসিদেন্ট আই জুগেশ্বর, লাইওন্স ক্লব ওফ ওইনামগী টেল ত্বিষ্টর এল ইবোমচা, লাইওন্স ক্লব ওফ ওইনামগী ডিরেক্টর এল রঞ্জিৎ অমসুং এক্সটেন্সন কম্মিটিগী মেম্বর ও নিমাইচান্দনচিংবনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা আই জুগেশ্বরনা হায়খি, লাইওন্স ক্লব ইন্টর্নেসনল অসি কাঙলূপ ফুরুপ, লাইনিং লাইশোল খায়দনা মীওইবা খুন্নাইগী মতেং পাংনবা, মীয়ামগী থৌগল তৌনবা লৈরিবা ইন্টর্নেসনল ক্লব অমনি। ঙসি অসি মালেম শিনবা থুংনা লায়রবনা মরম ওইরগা চাবা ফংদ্রবা মীওইশিংদা অরাম-খৌরাংবা খরতা ওইরবসু কোক্লনবা ফীদ দি হঙ্গর্স হায়বা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ওইনামদসু ক্লব অসিনা চেঙ য়েনবনি অমসুং চেঙ য়েল্লিবা অসি পোলিটিকেলগী ওইবা কাঙলূপ অমত্তগা মরী লৈনদে। ক্লব অসিনা অঙম্বা চাংদা চেঙ য়েনবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। ওইনাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ১ দগী ৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা খনগৎলবা ইমুং ১০০ দা চেঙ কেজি মঙা/মঙা য়েন্থোকখি।

## য়াইফ থৌনি থৌরম

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচ এন এস):
লমজিং আর্টিষ্ট এসোসিএসন্না নৌনা পুথোকপা *তাংজবী মতম্বাক* কী য়াইফ থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে। থা অসিগী ২৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী ফেষ্টিবেলদা শরুক য়াগদৌরিবা লীলা অসি অরুন কুমার লাইশ্রমগী ময়েক্তা আর্টকী লমদা শক্লইরবা নবা ৱারেপ্পা পদ্মাশ্রীনা দিরেক্সন পীবনি। শুমাং লীলা অসিনা ওর্ফান হোমশিংদা লৈরিবা কনা লৈজদ্রবা অঙাংশিংনা ওইরকপা য়াবা, হোমশিংগী খেন্নবা অমদি অঙাং লল্লোনবগী মতাংদা পাউজেল পীরি। নৌনা পুথোক্লিবা লীলা অসিদা শুমাং লীলাগী সিনিয়ার আর্টিষ্ট লাই ইবোতোম্বী, হেমলেট, বসন্ত লুকোক অমদি নুপী শাবী এল বোই অমদি সুরেন্দ্রোনা শক্তম লাংলি।